# সনা-লুপা, লন-থুম পামদবা, খমতোং-য়াইতোংবা ওইনীংদবা কনাবু লৈরিদগে-অদুবু পামদবা ওইনীংদবা মতাংসু লাকপজাৎনি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

সনা-লুপা, লন-থুম পামদবা খমতোং-য়াইতোংবা ওইনীংদবা মী লৈরম্লি হায়বা থাজদে। লৈরম্বসু য়াই অদুবু মদুসু ঙম্লরোই খনবগী অদুম পঙহায় মহায়রিবা ওইরমদৌবা মাল্লি। পাম্বগী চাংদি লায়রবা নুপা অমনা ইনাক খুন্নিংমনবদগী ৱাখলনা দলান শাগৎপদা তরক-তরক লৈজবা মাগী চুহী চফুদু কাওখায়দুনা থুগাইখিবগী থম্মোয় শোল্লবা ৱারী অমা লৈরিবনি। মসিগীদমক মীনা মী হাৎপা ঙম্নরিবনি। তৌববুদি ইনাক খুনবশিং খমতোং য়াইতোংবশিংনা লৈত-লায়র অতোন-অতাশিংসে উশিত্তেদো! মদুদদি লায়রবা অতোনবা হায়বদু শুংওই হেক ওইনীংদবনি। মসিদি অঙাং অহল খায়দবীদা লোইনা পাম্নবজাৎনি।

নোংমা থবক চৎলুবা হল্লকপদা পীশক পীল্লিবী ঐগী ইচা অনীনা ইনাক খুন্নীংবগী নীংঙাই তৌখৎলকপদুদি, হুমাং কাংবজাৎনি। য়ূমদা ওইরবদি ফূই খঙদে, লাউহৎলি খঙদে, পাম্বে লৈগদবা। লম্বী-লমখাঙদগা ওইরে, কপতেদা খাকখিবনি নুমিৎতুদা। ওফিসর অমগী মথোন-মথোন ৱাংবা চেক্কী য়ূমদু ঐখোয়গী ওইরসি, মদুদা লৈরসি হায়না তৌখৎলকপা নীংঙাইনি। অনীমক ফমথখিবদগী থেম্বসু য়াদ, চৎলসি হায়বসু য়াদ কয়াদি শাথীখ্রে। কাইনথংদা ঐনা মনুংদৈ লোল্লিবা গেটতুদা কাক-কাক থিল্লি। খঙহৌদে মখোয়গী মপু নীংবা হূইজাওদু পাইথোরক্লগা মনুংদুদা গৌ-গৌ খোংলকপনিনে। লাইখংনরমাল্লে, ইচা অনীদো ফূক হৌগৎলগা ঐগী মাঙ থারগা তফিং-তফিং চেনখি। শাউনীংবা, নোক্লিংবা, কপ্পীংবা ইয়ান য়ান্নখি। মদুগী মতুংদা ঐবু লৈঙাক্কী থবক অমত্তং ফংহনবীয়ু হায়জবা লাই মশীং খঙখিদ্রে, খোংবাল্লাই তিনখাক ফাওবদা হায়জৈ হায়বদুমক য়ৌখিবনি। লাইরিকসু পাখি। লাইনা ঐগী অৱাবা উবীব্রা খঙদে, অহানবদা জে এন ভিদা পার্ট টাইম পি জি টি মথংদা এম পি এস সীনা লৌবা রিট্টন টেষ্ট অমদি ইন্টরভিয়ুদা মায় পাক্তুনা হায়র সেকেন্দরি লেকচরর ওইনা চঙখি। খনখি মথোন-মথোন ৱাংবমক নৎত্রবসু ইচা অনীদা চেকয়ূম কক্লাও অমা ফাওবদি খুদোল তম্বা ঙম্লগনি হায়না। মসিসু লন-থুম্না মীবু চিংশিনবা ঙম্বগী মতিক ময়াই লৈ হায়না পীবা য়াবা খুদম অমনি।

ফমজাউ পান্বা লৈবাক্কী খমতোং য়াইতোংবা ওইনীংবা হায়বসি হৌনশানি। মীওইবগী পুৱারীদা শলাক শাবা থৌদোক ৱাথোক ময়াম অমা থোকখিবগী ৱারী মশীং থিঙমদনা লৈখ্রে, হৌজিকসু লৈরি। মসিদি থম্মু থমখো লাই হাক্তক্তা ফাওবা থোকখিবগী ৱারী লৈরিসিনি। রামায়নগী ৱারীদা থোকখিবা অৱাবা থৌদোকশিং অদুগী হৌরকফম মরূদু নিংথৌ ফমগীদমক্লি। কৈকেয়ীনা মচানুপা ভারতপু অযোধ্যাগী নিংথৌ ওইহন্নীংবা, মহাক মশামক্না নিংথৌ পোকপী মহারাণী অমা ওইবগী অৱাংবা ফিদা অদু ফংনীংবগী নত্তব্রা? মহাভারতকী ৱারীসু অদুমঙায়। মী হাক্তক্তসু মখোয়গী খুদুং ইনবনরা ফম্বাল লানগী লান ঙাক্তা। মৌর্য্য শাগৈগী ফাওরবা চন্দ্রগুপ্তকাদু নন্দ শাগৈগী নিংথৌ ধন নন্দবু হাত্তোক্লগা মগধগী নিংথৌ ওইখ্রিনি। শেমজিনবা ৱারীসু ওইরম্বা য়াই- নিংথৌরেল অশোকনা নিংথৌ ওইনবা হোৎনবদা মানা হাৎখিবা মচিন-মনাওগী মশীংসি চাম্মা য়ৌগদবা অমখক্তমক ৱাৎলি হায়। অদুবু মসি অরানবা ৱাফম্লি হায়না ককথৎপা অখঙ অহৈ ময়াম অমসু থোরকই। অদুবু ফম্বালগীদমক নিংথৌরেল অশোকসু ময়াম্বা সুসিমাবু হাৎখি হায়বসিমদি ফম্বালগীদমক ইমু-নাইমু তানবগী থৌদোক্না মরী লৈনবা খুদম্লি হায়না লৌবা য়ারে।

ঐখোয়গীসু অদুমঙায়, অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক কয়া মশীং মপান নাইদবখৈ থোকখি হায়বগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ৱারী লাইরিকশিংদগী ফংবা ঙম্মী। লাইচৎলোন দা য়েংলবসু মানা ফংফম থোল্লবা মপা গুরুগী ফম্বালদা ফম্বা ফংদ্রবা অশিবনা মাগী হক মুনবীখ্রবা মনাও অপানববু হাৎলগে হায়দুনা কোয়তান তান্নখি হায়বগী লাই থাজ ৱারী থম্বীরম্মী। নোংদা লাইরেন পাখঙবনা কংলৈ ফম্বাল কাখিবা হায়বকাদু তরাই তরাইবা ওইদবজাৎনি। মীচং খোম্নবা হোৎনবদা শীজিন্নরমগদবা পাঙ্গল লৌশিং, কদাইদৈ মৈ হৌখৈ হোৎনরমদৌরিপোৎনি। পূমচোক হেক চোকথবমখৈ শামান লেংমান্নবশিংগা শয়েং পাম্বোম ঙানরকান্দুদা নীংজরিবদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমজখি হায়রিবনি। মতুং তারকপা নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তা ঈঙাং পাক্তক্লবা, ঈমু পাম্ফেন্নবা ফম্বাল্লানগী ফম্বাল্লান ঙাক্ত, পারু তারুবদা অকি-তুজুংবনা পীক থল্লি। ঙসিসু অদু মঙায়রে, ফমজাও পায়ননবা হোৎনবদা মখল মথেন লাল্লোং কয়ানি চথুরিবসি, অয়াম্বনা খঙনরবা ৱাফম্লি।

পূম্নমকসি ওইদুনসু সনা-লুপা, লন-থুম ফমজাউ পাল্লক্তবা, মসিদগী থৱায়না মরুনি খনবা মতাং কয়াসু লৈতবা নত্তেকো। খুদম অমা অনীদং পঞ্জগে। 'অরানবনা করিনো অচুম্বনা করিনো ঐ করিসু খনবীদে। ঐদি পলেম ইমানা ঐগী তুংদা লেপ্পীরি, পন্থৌ ইপানসু য়ারে' হায়বৈ মওংদা ফন্দুনা গুরুগী ফম্বালদা ফমদুনা লৈরম্বনি। অদুবু অশিবনা মচিং কাঙলক্তুনা 'নঙমক্তা হাৎলগে লৈরম্মু' হায়না কোয়তান তাল্লকপা মতমদদি থৱায়তবু হিংলবদি লোইরে হায়দুনা কোয়চেন চেন্দুনা খাঙলিবনি। নুমিৎ কাপ্পগী মতাংদসু খ্বাই নোংচেংবম পিবানা তাউহূইরেং অহনববু কাপথখ্রবদা মতিক মঙাল লৈনা পাল্লম্বা কংলৈ নিংথৌ নুমিৎ সনা খোমদোনসু ময়াম্বগী লাংফমদুমক তারদ্রা কিবদগী ফম্বালদু হুঞ্জেল্লমদুনা মোইরাংদা কুইনা লোৎলগা লৈখিবনি। শিবগী খোঙফম য়ৌশিল্লকপা মতাংদদি সনা-লুপা, লন-থুম, ফম্বাল-নুংবান হায়বনচিংবসি করিসু ওইনা খনবীবজাৎ নত্তে হায়বসি কয়াদা ময়েক শেংলিবনো! অসুম্না নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তা য়েক্লবগী মখূত্তগী মশাবু কঞ্জনবা সনা কোনুংগী অরং-অরাকপু থাদোক্লম্লগা চীংদা মান্দা ৱানা লেনখিবগী ৱারী থৌদোক কয়ানি। মসি ঐখোয়গী নত্তে, মালেম পূম্বগীনি হায়বা য়াই।

'হকচাং ফবনা অথোইবা লননি।' মসিমদি মফম মতম খুদিংমক্তা চুমদুনতা লৈরগনি খল্লি। অশিবগী লাইনা মনাক্তা শঙদুনা লৈরবা অনাবা অমগী অপাম্বসি মাগী হিংনীংলিবা আশাবু ময়োন থুদেক্কে থৌরাংলিবা লায়না-তীলনা অদু মরূ ফূক্তৎলগা লংখায়খিবা ঙম্বা শক্তি অদুখক্তনি হায়বা য়াই। মঙোন্দা সনা মতূম অমা পীরুবদা লাক্তুনা হুন্দোরকপসু য়াই। ফীভম লুরবা অনাবদি হায়রুনু লোক লাইহৌ শোইনৌ অমত্তংনা চৈথেং পীরকপদা 'লাইহৌ নঙতা ফবীখ্রো, করিমত্তা পামজদ্রে' হায়বা মীসু য়াওরিপোৎনি। চহী তরামঙামুক্কী মমাঙদা ঐগী খোঙ শাথীনা তেকখি। থা অহুম হেন্না চৎপা-খোৎপা ঙমখিদে। মরক্তুদা লোক লাইহৌসু তৌশিল্লকই। নিংথমথাদুদা কয়াদি ৱাখি, ইচা অনীদং তরক-তরক লৈজবসু লাইরিক তল্লিবনি হায়দুনা মপানলমদা লৈখিবনিদো। ইমুংদা 'সুম নৈশিন্দুনা লৈবদু অফক-অফাই চুরে হায়দুনা মাঙ্গোলদা নুংশা য়াইগে হায়দুনা ফমশীৎনা থোকই। থৱায় নুংঙাইতনা ফল্লিঙৈদা লৈরাং (অশেংবা মমিং নত্তে) নিংথমথাগী অইংবদু নাচুংদনা লৌ খাউবা চৎকদবগী নুপী খূল্লং কৌথোকপা খা-ৱাং কোয়চেন চেল্লি। মাগী ইমুংদু মতমদুদা খরা ৱারপ হিংজৈ। মদুদা ঐনা লাউখি, 'হৌজিক্কী মতমদা ঐ সনা-লুপা, শেল-থুম করিমত্তা পামজদ্রে, মশা খীং-খীং লাউনা চেল্লিবা মাখক ওইনীংই।'

হায়জবৈ ৱানি, হিংবদা লন-থুম চঙদবা য়াদে। অদুবু মসি ফংনবা হোৎনবদা শেরান্ননা নত্তবা পাম্বে শীজিন্নবদি লৈবাক মচা তাদবা ওইনা থোক্কনি। শিবদা পুখিগদবা নত্তে, থম্মোয় শেংনা তানবা লন ওইহন্নীংই। ●

# লাই নীংগেরা লাইদা নিগেরা

- নবকুমার ওইনা -

লাই থাজবা মীদি য়াম্না লৈরি, লাইনীংবা মীদি ইউ উদ্রে। লাইদা নীবা মীদি মশীং খঙদনা লৈরে। লুরিবদি ইশানা লাই খঙদ্রি, অখঙবা মীসু লৈদৌবা মাল্লক্তে। অখঙবা ময়াম লৈরিবসি ইপেন পেন্দ্রিবনি, অখঙবা শাবা ওইরম্বসু কনানা খঙবা। খঙদবা ঐখোয় পংয়েৎ য়েৎনরগা লাই থোল্লক্কদৌবসু লৈতে। লাইদা নীরগা পীরকপসি হোৎনমনগা য়েৎশিন্নে, ঈমোইনুদা নীরগা ইনাক খুনগনি হায়বসি পোপী থাবশিংনা য়াগদৌবা মান্দে। ঈমোইনু হায়বসে ঐখোয়গী লোল অরিবনি, ঈ হায়বসি ঈ-শা হায়বদদি ঐ হায়বনি, মোই হায়বনা ফজবা-ফজবী, হৌজিকসু কৌনরিবা মী মমিংনি, মোই-নু পেমচা; নু হায়বনা ইমাসু হায়। মোরাম্বা নত্তে, মোইরাম্বা ওইগনি।

ওজা ইবুংঙো, ডা. কৃটি হন্দক লৈখিদ্রে। ওজানা হায়রম্বসি লাইনীং চামঙামুক পুনশিল্লগা লাইনীং অমা শেমখি হায়না পল্লি। লাই চামঙা পুনশিন্নবা য়ারমগদ্রা। চমম্নবা ময়ামসিদগী লাই লৈতে হায়না থাজবা মী নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবনিনা য়েৎনফমদি লৈত্রবনি খল্লবনি। লাইসি মপু লৈতবা অমনি হায়, লাই অমগী মপু শারগা য়াম্না খঙনা ঙাঙবা য়াওরিবসিবু অওইবা ওইনা লাইগী মপু ওইগদৌরিব্রা? লাইদফাওবা মরন্নায় তৌনরকপা য়াওনরক্লবদি থাজবগী ৱাদি লৈত্রে। মী ওইনা পোকপা কনানবু লাইনি হায়রম্বা য়াওবগে, তুং ইল্লিবশিংনা লাইনি হায়জিল্লগা মী লোইনমক্না য়াগদৌবা লৈতে, য়ানদে, মাগী-মাগী পিরাই ঙাক্লরি।

ঈমোইনু হায়রদি লনগী লাইরেম্বীনি হায়রে। লন হায়রগা করিবু খঙনরিবা? ঙা থোংলগা চাথোকপা, মৈ ময়াম থানবা, বারমাগী লাইগী ৱারী ময়াম তারগা থবক শুদনা নোংমা মতম মাঙহনবা, উহৈ-ৱাহৈ খরা চাথোকপা অসিবু লন তাল্লিব্রা? লক্ষ্মীসু লাৎ, পান্থোইবীসু লাৎ লাইয়েৎনবা হায়তারে। শেঞ্জাও পায়বনা মীতোপ্না পায়বা। শেল হাৎনরিবা, পুরগা শিংনদ্রিবা ময়ামসি পান্থোইবীহোয়, ঈমোইনুহোয়গী মচা-মশুনা অয়াম্বনি। লনবু পায়জৌ হায়রদি ময়ূমদগী সনা চাম্বশিংনা এসিদতা তুমহল্লগা পুখ্রিবনি, পুল্লপ খোমজিল্লগা পুল্লপ-পুল্লপ হাৎনরিবা লন-থুম য়ামখ্রপোৎনি। লনগী লাই লাৎপগীনি হায়বা তাবনি। লুপা লাখ মঙা-তরা মাঙনরিবসি ঈমোইনু লাৎপা হৌরবা মতমদনি। মমিং-মথাদু ফজনা ইরগা চেঙ-থোইদিং য়াওনা নুমিত্তা কৎলবদি শেলদু হন্দোরকই হায়বসু লৈবা তাখ্রে।

খরসি পঞ্জবগী মরমদি ঈমোইনু লাৎলবসু লন-থুম মাঙবা, মাঙবা লেপ্তবা অসিবু করিগী ওইগদৌরিবনো হায়বদুনি। ৱারীদি য়াম্না তানরে, লীলা ওইনা খল্লগা তোক্লরব্রা? লীলাদদি লাইশোনগা হৈকৎ-লৈকৎকা কয়া লুনা লৌনদে। রেদিওগুম্বদি য়াম্না লুনা, কিনা হৈ-লৈ ফাওবা য়াওদবা য়াদবগী ৱা ঙাক্তা য়াওরিবনি। মাঙহল্লিবা শেন্মাং ময়ামসিগা লাই লাৎপদনা চেকশিল্লিবা অসিগা চুনরিব্রা হায়বা অমদি মশানা থোকচরকই। মাঙখ্রবসু চেকশিন্দবদি য়াদে, লাইনবু শেন্নবীগদ্রা?

ঈমোইনুনা য়াবা-য়াদবা শাজৎ হায়বা লৈরি। লম তাশিনবদগী লমচৎ শাজৎ চেকশিনবা হায়বসিগা শেল-থুমগা করম্না মরী লৈনরিবা? নুমিৎয়ুংবদা মৈ পীথোক্কনু, নুপীশিংনা মীগী য়ূমদা কোয়থোক্কনু হায়রগা শেল পায়রদ্রা? ঈমোইনু লাৎনা-লাৎনা লক্ষ্মাংদা শিরল্লিবা নুপী, মৌশিংসি ফনা য়াল্লবনি, অদুম শিনখিনি খল্লি, ঈমোইনু লাৎলসু থিংবা ঙমগদৌবা মান্দ্রি। শেলকা পায়রক্তুবদি ঈমোইনুগী পাউতাক ময়ামসি নীংশিংবা ঙমদবা ময়াম লৈরিবনি। লংনরকপা নিপা নহাদগী, কায়নরবা নিপাদগী লুপা লাখ মঙা-তরা-কুন-কুন্থ্রা লৌবা ঙম্নরকইবসি ঈমোইনু খূৎলাৎ অমনি হায়বসু য়ারক্কদৌরিবনি। শেল ফংলগা য়ারকইবনি, মালেমসিদা চৎননবা হৌদোক্লিবনিদনা। শেলহাদি ৱাংখৎলকপা য়ারি, ঈমোইনু লাৎলা-লাৎলগা ৱাথোক য়ামখৎলকইবসি লাইনা তম্বীরিবা মওং অমনি খল্লি।

হকচাং ফবনা লননি হায়রিবনি। হকচাং ফবা হায়বসিনা পূক্লিং ৱাখল ফবা, মীয়ামগা লৈনবা মরীসু ফবা অপূনবা হকশেল অদুনি হায়রিবনি। ঈমোইনুগী পাউতাকসিবু মসি নৎত্রবরা? হকচাং ফনবা মচল শুবা চীঞ্জাক চাবা তাবনি, শরেং নৎত্রবদি য়াদে হায়বা ওইরোই। পূক্লিং ফাথবা, শাওদবা, মী খৎনদবা, নাপল কাদবা, মীনুংশি লৈবা, থৱায়সি কুইনা লোয়নবা য়ানবা লম্বী খঙবা, ৱাঙাঙ হৈবদুবু লন হায়বনি। খোইদৌ খঙবা হায়বসি অরায়বদি নত্তে, অফবা চীঞ্জাক হায়বসিনা হেন্না লুশিল্লকখ্রে। ঈমোইনুদা হু য়াওবরা, হৈ-লৈ মনা মশিং, ফৌ-হায়ব্রিদ কৎলিবনি। উনদা ফুম্বা শরেংদু ঈমোইনুনা চাগদ্রা?... নবেম্বা ঐনা চানীংদেনে... হায়বা অমা হাপচিনবা তারকইব্রা? লাইনা হায়রক্লোই, মীনা হায়রগা লোইরে। হান্ননা হায়রম্বশিংসু মীনা হায়রম্বা ঙাক্তনি। হুরানবসিবু ঈমোইনুনা য়ারমগদ্রা, শেল লৈরবদি লন লৈরবনি খনবদগী শেল য়েল্লগা ভোট কারগা ঈমোইনুগী য়াইফ পাউজেল পীবককা য়াওনবসি মুন্না খল্লবদি ঈমোইনুদা ফাগি তৌবীবা মাল্লকপদুনি।

থৱায়সিনা অশেংবা লননি, পূন্সি শাংনবা নীংবনি হায়রগা ভোট খোম্বদা হাত্তোক্লবা ঙম্নরিবনি, লাইনিংগী মিংদসু কাঙলূপ খায়দোক্লরগা হাৎনরিবনি। পূন্সি শাংবদুদি মীপূম খুদিংমক পাম্নরিবনি, ঙম্নদবগী ৱাতনি, পূক্লিং নুংঙাইনবা লৌশিং তানবদুসু লন তাল্লিবনি, লৌশিং য়াওদ্রবদি পূন্সি শাংবসু ঙমদে, পঙগনু চলাম্বা হায়বা পাউতাক্তুনি খল্লি। মী ওইনকা হৌজিক হিংলবদি নীরিবা ময়ামসি পীবা ঙমদবগী শম ফোয়নববু য়ারিবনি, শেল হাৎলিবশিংদি করিসু তৌনদ্রি।

শেনবা-থুম্বা হৈত্রবদি পূন্সি শাংবা ঙমদে, চাবা-থকপা হৈত্রগনা পূন্সি তেল্লি। নারগা শেল লৈত্রবদি লায়েংবা ঙমদনা লৈখিদবা কয়ানি। শেল লৈত্রগা লৌ-ইঙ্খোল য়োল্লগা লায়েংলে, লৈখিদবা থোক্লগনা ইমুং মুৎপা য়াওনরে। তঙাইফদ্রিবসি শেলদুরা, লৌশিংদুরা, নারগা লায়েংবদগী নাদ্রিঙৈদা হকচাং ফহনবা অদুনা চুম্মী। শেলদি চৎখিনি হকচাং ফবা হায়দুদি হুরানবনসু হুবা ঙমদবা লন অশেংবনি সিনি। পঙলবদি নাবা তাবা, য়ুঙাও অমুক-অমুক্তা পুমকাউ কাউবা, ইমুং অমদগী লৈকায়, লৈকায়দগী লৈবাক অমা পুল্লাং লাংলিসিনি। ডাক্তরনা শেল তাল্লিবসি ঈমোইনু লাৎপনি হায়ব্রা, হকচাং ফবা লননি হায়বদুরা? চাইনানা মোবাইল শারগা শেল খোম্মি, জপাননা কেমেরা শারগা শেল তাল্লি, অরবনা থাও য়োল্লগা শেল ফংই, ঈমোইনু লাৎপগুম্বনি। ঐখোয়না ঙা য়োক্লগা লাইদা কৎলগা চাথোকই। লৈঙাক য়াওগনি হায়দুনা থোক্লক্লিবা খরনা লিথিয়ম শুংবগী ৱা খঙদে, য়ু শুংলনি হায়রিবনি। লাই মান্নবা য়াইফ পাউজেল পঙপীদা পীনৈ, মসিবু ঈমোইনুনা য়াবা শাজৎলা খঙজদ্রে। ভোট লেপ্পসিসু ঈমোইনু লাৎপগুম্বনি, মীওই খরদি চাবা-থকপা ফংলিবনি। মী লৈতবগী থৌরমশিংদা ঈমোইনু লাৎপদৌনা শেল তানবা য়ারিবনি। ইবাই অমনা হায়রম্বনি "উকংগী লাই অমনসু কোয়চোং-চোংলগা ইমুং অমা লায়না থাকপা ঙল্লি, নখূৎ তেকপসু নত্তবা, নখোঙ তেকপসু নত্তবা, কৈদৌ লৈগে হায়বনো?' ইবাইদো মপাঙ্গলদি শোল্লি শেল তানবদি কল্লি, মাইবসু শাই। লৈখিদ্রে।

শেলসু পায়নীংই, পূন্সিসু শাংনীংই য়াগদ্রা? করিগী য়াদগনি, মঙদদি হায়গদৌবা নত্তে। চীঙ্খৈ হুন্দ্রিঙৈদা হৌগৎলগা চাম্মা-চাম্মরক মখোল হৌনা হায়য়ু অদুম য়াগনি, অমুক তূমথবদি য়াদে। ঈমোইনু ঈরাৎপগী খ্বাইদগী তেনবা থৌরম্লি, ঙা-চাক য়াওবা নত্তে, য়ারবনি। ঈমোইনু ঈরাৎপসিবু অনীরক লাৎকদ্রা নৎত্রগা চহী চূপ্পা লাৎকদ্রা খঙদ্রেনে। নুমিৎ খুদিংগী লাৎলবদি য়ূমদি মুৎকনিসে! ঐবু লাই নীংলদরা, নীবনদি শম্মীদা, ফংনি-ফংলোই খঙবদি নত্তে। ●

# কবুই ফূরুপকী হৌরকফম অমদি চৎন-লোনচৎকী ওইবা নাৎকী শন্নপ্পা মীৎয়েং (১)

- লনবোন কবুই -

ৱাহৌদোক :- কবুই ফূরুপ অসি মণিপুরদা লৈহৌমী (ইন্দিজিনস পিপলস) ওইরগা মপূং ওইনা খুন্দাবা ফূরুপ অমনি। ফূরুপ অসি মণিপুরদগী হৌরক্লগা অসাম, নাগালেন্দ, মিজোরামনচিংবা ষ্টেটশিংদা খুন্দাবা ফূরুপনি। লাই হাক্তক্তগী অমদি মীহৌরোলদগী মশাগী নাৎ, ঈশৈ-জগোয়, ফিজেৎ-লৈতেং মপূং ফানা লৈবা অমদি কলা সংস্কৃটিগী পূক্কে-লনগৈ চোন্না লৈবা ফূরুপ অমনি। লাইগা মীগা শম্নরিঙৈদগী অমদি মীহৌরোলদগী চৎনদুনা লাল্লবা মশাগী লাইনীং লীচৎ অমদি চৎন-লোনচৎ ঙসিসু কবুই ফূরুপ্না ঙাক্তুনা চৎলি।

মতমগী য়াওলনি হায়গদ্রা মণিপুরগী চীংলৈবাক্তা লৈরিবা/খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা ট্রাইবেল ফূরুপশিং মপান লমগী/মীরমগী লাইনীং লাইশোন্দা অয়াম্বা লুপখ্রে। মশা-মশাগী অশেংবা পারি-পুরি/লৈহৌমীগী শক্তম মাঙখ্রে। অসুম্না মণিপুরগী চীং লমদমদা খুন্দারিবা কবুই ইচিন-ইনাও অয়াম্বসু মীরমগী লাইনীং লাইশোন্না হুমদুনা পুখিদুনা মতমগী ঈরোলনুংদা চহী ১০০ হেন্না লুপশিনখ্রে। অদুবু কবুইশিংনা থাজৈ, অরানবা লম্বীদা চৎখ্রবা, লান্না লমজিংবীখ্রবা কবুই ইচিন-ইনাওশিং নোংমদি শোয়দনা মমিত্তা পিরাং শিন্থনা, থিরকখিগনি অশেংবা/অচুম্বা মপা-মপুগী খোঙ্গুল লিক্লম। থাবু নুমিৎনি খল্লিবা কবুইশিং অমদি চীংমী ইচিন ইনাওশিং শোয়দনা হল্লকখিনি অমেরিকা অমদি জেরুশালেমদগী মণিপুরদা।

**কবুইশিংগী হৌরকফম :** হৌজিক্কী মণিপুরগী তমেংলোং অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট অনীসিদগী হৌরকখিবনি হায়না কবুই ইপা-ইপুশিংনা থাজনৈ। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা 'লমতিং কপিন' হায়বা মফম অদুদগী হৌরক্লগা 'লেংদাইমৈ' কৌবা মফমদা খুন্দাখি। খুল অদু অসুম অসুম চাউরক্তুনা লোংদাইমৈ খুঞ্জাও অমা ওইখি। খুল অদুগী য়ূম্নাক ৭৭৭৭ ফাওবা লোংদাইমৈ খুঞ্জাওদা পাল্লম্মী। অসুম তৌনা পাল্লনম্বদগী অৱাংদা, নোংপোক্তা, খাদা, নোংচুপ্তা খুন্দাবা চৎনখি। মরম অদুনা 'ম্যান্মার, থাইলেন্দ, চাইনা, জপান, কোরিয়া' নচিংবা শক-চু মান্নবা ঐখোয় ইচিন ইনাওনি হায়না কবুই অহলশিংনা ৱারীনরম্মী অমদি থাজনরি।

কবুই ফূরুপশিং অসি মণিপুরগী অৱাংদগী নোংচুপ, নোংচুপ্তগী মখা মায়কৈ হেংলেপ হৌজিক্কী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ফাওবা খুন্দাখি। অদুগা তপ্না-তপ্না মণিপুরগী তম্পাক লমদা খুন্দারকখি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী চীংয়া অমদি তম্পাক্তা খুন্দারিবা কবুই খুল ৮০ রোম লৈরে। অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু মালেমগী মফম অতৈদগী হৌরকখিবা নত্তে। কংলৈপাক (মণিপুর) ইমাগী, ইরমদম অসিগী লৈহাওদা মনীং মখা তম্না হৌরকখিবনি হায়বসিদা তশেংনা ককপা/য়েৎপা য়াররোইদবা ৱাফম্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। কবুইবু রোংমৈ কৌনীংবা, কবুইগী হৌরকফম্থু নাগালেন্দনি হায়নীংবা কবুই মরক্তা লৈতবসু নত্তে। ঐখোয় খঙজিনবা ফৈ।

**কবুইশিংদি চপ চাবা লৈহৌমী ইন্দিজিনস পিপলসনি :** চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদগী/মীহৌরোলদগী কবুইশিংনা ঙসি ফাওবদা মশাগী চৎনবী, নাৎ, ফিজেৎ-লৈতেং, তোপ-তোপ্না মীঙোন্দগী পুরুবা নত্তবা, মীওইবগী খুন্নাই অমা লিংবদা মপূং ফারবা কলা সংস্কৃটিবু মথানুংদা চেৎনা কোন্দুনা ঙাক্লি। মতমগী য়াওল কয়া লাকখ্রবসু অতৈ কনানসু মুনবা ঙমদনা অমদি মূথুৎপসু ঙমদনা কবুইশিংনা মশাগী চৎনবী নাৎপু ঙাক্তুনা লৈরিবা ফূরুপনি।

কবুইশিং অসি মজাতিবু নুংশিবা, চৎনবী, নাৎপু লুনা নীংজবা, মথক্কী অহল-লমনবু ইকায়খুম্নবসি মখোয়গী চৎনবী নাৎনা ময়েক শেংনা তাকই। অহল-লমনশিংদা পীগদবা শারম-ঙারম মচা খায়না লৈ। মসি ফূরুপ্তুগী শেন্বীবা মপুগী থৌরম, কুম্মৈ-ফিয়োং, থৌদোক-ৱাথোক, লুহোং-খোংদোংবা থৌরম খুদিংমক্তা অহল-লমনশিংগী শারম-ঙারম পীবগী চৎনবী লৈ। খুলগী ৱাথোক-লান্থোক থোক্লকপদা খুলগী পৈকাইনা অচুম অরানগী মতুংইন্না ৱায়েল্লি।

"পৈকাই" ৱায়েলশঙনি, কোর্টকুম্বনি। কবুই ফূরুপ্তা হৌজিক্কী ৱায়েলশঙ/কোর্ট মথৌ তাদে। লৈবাক অমা, খুন্নাই অমা লিংবগী মপূং ফাবা চৎন-কাঙলোন লৈজৈ। মাগী-মাগী খুল/খুলগী সেক্সন/দিপার্টমেন্ট লৈজৈ। খরা পল্লবদা - পৈকাই/থৌবৈ, খৎচু/পাখঙফাল, লুচু/লৈশাফাল, মাখেনমৈ/মৌফাল অসিনচিংবা মখল কয়া লৈখ্রে। খুল অমদা লৈবাক অমা ঙাকপগী মথৌ মঙম চপ-চানা লৈবা ফূরুপনি।

**কবুইশিংগী নাৎকী ওইবা কুম্মৈ/ফেষ্টিবেলশিং :** চহী অমগী মনুংদা কবুইশিংনা থা খুদিংগী নাৎকী ওইবা কুম্মৈ/থৌরম লৈরম্মী হায়নৈ। অদুবু মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না কুম্মৈ/থৌরমশিং অসি ককথখিবনি হায়না লৌবা য়াই। হৌজিক মরু ওইনা চহী অমগী খ্বাইদগী চাউনা পাঙথোল্লিবা কুম্মৈদি 'গান-ঙাই' নি। গান-ঙাই কুম্মৈ অসি কবুইশিংনা খুন্দাবা অসাম, নাগালেন্দদসু পাঙথোকই। কবুইশিংনা পাঙথোল্লিবা কুম্মৈ খরগী মমিংশিংদি - গান-ঙাই, মরেং/গুদুই ঙাই, রিঙাই/রিংঙাই, ননুহ-ঙাই অসিনচিংবা অসিনা মরু ওইনা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈননা হৌজিক হৌজিক পাঙথোল্লিবা কুম্মৈশিংনি। মতম মতমগী কুম্মৈ/থৌরমগী মতুংইন্না ঈশৈ-জগোয় মখল মথেল মশীং থিঙমদনা লৈজৈ। কবুই জগোয় ঙসি মালেম্না শকখঙনরি হায়বা য়াই।

কবুই ঈশৈ খরা পল্লবদা :- মজা-লু, লমরোন-লু লাম-লু, কাইলোং লোন-লু, পাজৈ-লু, লু-লোং, লু-ফাই, শিং-লু, জোনজাই-লু, লাওলেও-লু, লাওফুন-লু, কতু-লু, রাহ-লু, রিহ-লু, না-কথু-লু, পানশৌ-লু, জদোন্নং-লু, তিংকাও রাগ্বাং-লু অসিনচিংবা মখল মথেল কয়া থা ঋতুগী মতম মতমগী ঈশৈ কয়া মশীং থিঙমদনা লৈখ্রে। অসিদসু নত্তনা ঈশ্বরগা মরী লৈনবা থৌরম সিরেমোনি মকু-বানরুমৈ, তরাং কাই শুমৈ, মুরেং পৎমৈ, রাগাইদাই জৌরুমৈ অসিনচিংবশিংগী তোঙানবা ঈশৈ-জগোয়সু লৈরি। ঈশৈগী মখল মথেল লৈবগুম্না কবুই জগোয়সু মখল য়াম্না লৈখ্রে।

**জগোয় মখল খরগী মমিংশিং :** মকু বানরু-লাম, হোই-লাম, দিংলিয়েন-লাম, খোইগুনা-লাম, কিৎ-লাম, গা-লাম, চপা-লাম, লাংদাই-লাম অসিনচিংবা মখল কয়া লৈখ্রে। ঈশৈ-জগোয় অসি নাৎকী থৌরমশিংগা তৎন-থানবা য়াদবা ফূরুপ অমনি।

**কবুইশিংগী য়ূমশা-কৈশা অমদি য়ূমশারোল :** থায়না মমাঙঙৈগী কবুইশিংগী য়ূমশাদি শিদুংকাই (হূইনা ফম্বগী মওং মানবা য়ূম) অসিনি। মসিবু 'শিদুংকাই' হায়না খঙনৈ। য়ূমসিগী মওং অসি মমাঙগী শরুক্না ৱাংখৎলি। অদুগা লোইরোই লোইরোই ঙমথরগা মনীংগী শরুক অদু লৈমায়গা য়াম্না নক্লনা শায়। অদুনা হেক য়েংবদা হূইনা ফমদুনা লৈবগী মওং মাল্লি। অদুনা কবুই ইপা ইপুশিংনা 'শিদুংকাই' হায়না খঙনৈ। মসিবু কবুই য়ূমশা হায়না খঙনৈ। হৌজিক হৌজিক চীংমৈরোং কবুই খুলদা লৈরিবা তিংকাও রাগ্বাংবু নীংনশঙ/লাইশঙ লৈরিবদু ইপা ইপুশিংগী য়ূমশাগী শক্তম লৌদুনা শাখিবনি। লাইশঙ অসিদা ইপা ইপুগী ইনাৎ চৎলিবা কবুইশিংনা নোংমাইজিং অমদি পুর্ণিমা খুদিংগী হাইপৌ তিংকাও রাগ্বাংবু খুরুম্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৌবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।